থম্মোয় পাউদম

# আশা য়াওদ্রবশিংগী আশা

কুমজা ১৯২০! চহী চাম্মা শুগদবা চহী অমত্তা ঙায়রবরা? মতমদুদা, অহানবা মালেমগী লাঞ্জাও লোইখিবদা ঙায়রিঙৈ, লান্দুদা শরুক য়ারুবই অৱাবা চৈথেং মায়োক্নরিঙৈ, ইংলেন্দগী মীয়াম্বু করম্বা মায়কৈদা লমজিংগদগে- লৈঙাকপশিংনা চমম্নরিঙৈ মতমনি। ইংলেন্দগী মেদিকেল কোলেজ অমদা, মেদিকেল দিগ্রী লৌবদা ঙায়রিবা, ডোক্তর অমা ওইনা মথৌ পাঙবা হৌদ্রিবা নহাশিংদা, ডোক্তরশিংগী মকোক (সুপরিন্টেন্দেন্ট) অদুনা লেকচর অমা পীরম্মী। পীফম থোকপা পাউতাক পীর' মতুংদা মহাক্না মখা তাখি... 'ডোক্তর অমগী খ্বাইদই চাউবা থৌদাংদি অনাবশিংগী থাজবা মাঙহন্দবা অদুনি, শিগদৌরবা অনাবা অমনা মনাক্তা ডোক্তর লাক্লে তাবতদা হিংলগনি থাজরিবনি, মখূৎনা শোক্লকপদা লাইগী খূৎনা শোক্লক্লে খঞ্জরিবনি। অদুনবু হায়নরিবনি- ডোক্তর ওইবই শিনফমসি দিভাইন প্রোফেসন (লাইগী মনাক নকপা শিনফম) অমনি'। অতোপ্পা ৱাহায় অমসু লৈ - ডোক্তরগী শিনফম পায়বশিংনা মীওইবগী অশোনবশিংদু উবা ঙম্মী, উকিলশিংনা উই - মীওইবগী ফত্তবা মতৌ, লাইগী মপাউ শন্দোকপশিংনা - মীওইবগী অপঙবা মতৌ। মথৌ নিংথিনা তৌদ্রবা মীওইবগী হকচাংগী শরুকশিং মথৌ তৌহন্নবা হোৎনরিবা ডোক্তরশিং, য়াদবা মোটোর (ইঞ্জিন) শেম্বা মেকানিক/ইঞ্জিনিয়রগুম্বা নত্তে, ইঞ্জিনদুদি মরোন লোন্দে মীওইবদি অহিংবনি, অরানবা অমা তৌরুরবা অহিংবদু শিগনি... অমেরিকান ফিল্ম অমদি টেলিভিজন দিরেক্টর মিসেস রান্দা হাইনস'না হায়রমখি।

শেল অসি মহাক লায়েংবদা শীজিন্নবীয়ু, মহাক্না নাবা ফৎত্রিফাও, ইনাক্তা লাকপদা চিংনবা পোকপীগনু... নুমিত্তুগী মতুংদা মহাক নোংমতসু ইনাক্তা লাকখিদ্রে, মচা অদু কমদৌখ্রবা, নোংমতসু পাউদম্লখিদ্রে...অদুবু ইচাশা! নখোয়না নথৌ পাঙবদা অনাবা অমসুং ডোক্তর অনীগী মরক্তা লৈনবা মরীদি মীওইবা অমসুং তাইবঙ মপু অনীগী মরক্তা লৈনবা মরীগুম্বনি হায়বসি মতম চূপ্পদা নীংশিংউ'...।

মহাক্কী স্পিচ অদু হেক লোইবগা, থৌরমদুগী চীফ গেষ্ট অদু মশাগী ফম্ফমদগী ঙাইঙমদনা হৌগৎলগা ডোক্তরদুগী মনাক্তা চঙশিন্দুনা কোল্লগা মখূৎতুদা পেন্না চূপখি। ফঙ্কসন'দুগী মাষ্টর ওফ সেরেমোনি'না মাবু কৌথোক্লকপা ঙাইঙমদনা পোদিয়মদা চঙশিন্দুনা হায়রকখি ... 'সার, ঙসিদি নঙগী সনা-খূৎ অদুবু মীমাংসিদা পেন্না অমুক্তা চূপচবা ফংহনবীয়ু... চহী কুন শুরবনি ঐনা অদোম্বু থিজরক্লিবা, মিং অমদি লৈফম শুকখঙ খঙদনা, লায়রবী ইমাদো ঙসিদি লাইরমলেন'দা ঈংনা চিক্লা পোথাজবা ফংলম্ল'নি... নোং-নুংশিৎ কল্লবা অহিংদুদা অদোম্না থৱায় কনবীখিবা অঙাং অদো ঐহাক্লি, লায়রবনা পৎ তৎলবী ইমানা অদোমগীদমক করিমত্তা তৌবীমল খঙবা উৎপা ঙমখিদ্রে - তত্তনা শোল্লম্বনি'...। ৱারী অসে ফিক্সন নত্তে, বৃটিশ প্রাইম মিনিষ্টর 'দেবিদ লোয় জিওর্জগী ৱারীনি কাউঙমদনা লীনরিবা। মীওইবনা তৌখিবা অফবা থবক অমত্তা লেম্না মাঙদে, মহয়দু মানা চাদ্র'সু ৱারীসিগী ফিদম্নি।



রিপব্লিক ওফ কোঙ্গোগী ডোক্তর 'জিন-ক্লাউদে-কিলুবা' - লায়রবা ইমুং অমদা, চাওখত্তবা মফম অমদা পোকখিবা ডোক্তর অসিনা বেলজিয়ম'দা এদভান্স মেদিকেল সাইন্স'কী লৌশিং তানশিল্লুরগা মরমদমদা হল্লক্লগা এইদস অমদি টি বিনা নারবা অনাবা লিশীং কয়াগী পুন্সি কনখিবা, 'মেদিকেল প্রোফেসন্দা চঙলবা, হেলথ সার্ভিস তৌরবা ডোক্তরশিং, মখোয়না তৌরিবা সার্ভিসতু ফ্রী-সার্ভিস ওইগদবনি, সার্ভিস-মমল লৌরোইদবনি' হায়বা পাউজেল পীরিবা ডোক্তরদুগী ৱারী অদুসু ঐনা কাউবা ঙমজদবা ৱারীশিংগী মরক্তা অমনি। 'মেদিকেল প্রোফেসন অমদি সার্ভিস হায়বসি অচৌবা ইন্দষ্ট্রি অমনি, শেল মাঙবা লৈত্রবা বিজিনেস মখল অমনি' খন্নরক্লবা মতমসিদা ঐনা লীজখ্রিবা ৱারীসিগী চন্নফম লৈতে - নক্লবা মরুপ-মপাংশিংনা হায়বদু নীংশিং-নীংশিংনা তমজরিবনি পাউদম অসি। 'ডোক্তর অমনা অনাবা অমগী ময়ূমদা চত্তুনা লায়েংবা' হায়বদু কৈদৌঙৈদা তৌরোইদবা/তৌহৈদবা থবক অমনি' - অনৌবা মতমগী মেদিকেল কোলেজশিংদা ওজাশিংনা শোয়দনা তম্বীরক্লমগনি। অদুগা, ডোক্তর অমা ওইরবদি 'শক কাকপা'/থৌগল্লোন ঙাক্তবা ৱাঙাঙ শীজিন্নবা হায়বসি তৌদবা য়াদ্রবা অমনি - সেনিয়র ডোক্তরশিংনা তম্বীরক্লম্বা য়াই। লায়েংবগী প্রিস্ক্রিপসন ইবগী চামঙা/লিশীং লৌবা নত্তবা, বি পি চ্যেক তৌবগী ফী লৌফম লীংখৎনরকপসু য়ারি। গভর্ণমেন্টকী হোস্পিটাল, দিস্পেন্সরিনচিংবদা লায়েংবই খুদোংচাবা ফংগনি হায়বগী থাজবদু মাঙহনখ্রবা, ইমর্জেন্সি ওইবা সেরিয়স ওইবা অনাবা অমা প্রাইভেট হোস্পিটালদা পুখৎলুবা হায়বসি, ইমুংদু লায়র'-তালহৌনবগী, লৈখিদবা থোক্লগনা লৈহৌরিবা মহাক্না মরোল-মরাং তাকহৌনবগী থৌওং অমা তারবনি হায়বসি খঙবীবা ডোক্তর অমত্তং থোরকহন্নীংদুনা ইজরুবা ৱারেংনি।

ৱাসি ফৈদোকখিদৌরে, ডোক্তরদুগী ৱারী মখা তাজগে। নহা ডোক্তরশিংগী গ্রেজুয়েসন সেরেমোনিদু মতমদুগী বৃটিশ প্রাইম মিনষ্টির'না অথোয়বা মীথুং ওইরম্মী। তিল্লিবা মীয়ামদুদা ডোক্তর - হেদ অদুনা ৱারী অমা লীরম্মী, মশামক্তা থোকখিবা। নোংমা অহিং নোংয়াইদা মাগী থোঙজাও অদুদা ঙাইঙমদনা থিনবা থোঙগী মখোলনা তূম্বা থুগায়খি। মীয়াই চল্লবী নুপী অমা ওইরম্মী। তপথফম খঙদনা হায়রকখি ...'ডোক্তর! ঐগী ইচাগী মথ্বায় অমুক্তা কনবীয়ু, ঐগী ইচাদো য়াম্না কন্না নারে...প্লিজ, ইচাবু অমুক্তা কনবীয়ু'...। ঈংবনা তররর চিংশিল্লবা, নোংসু লেপ্তুনা চুরিবা, নুংশিৎসু কন্না শীৎলিবা অহিং অমনি। লন্দন সহরগী চিদাইদা থাপ্লবা মফম অমদা লৈরম্মী মাগী ময়ূম। য়াম্না ৱানা, খুদোংথীবা কয়া মায়োক্নরবা মতুংদা য়ৌখি। অঙাংদুনা লাউনা-খোংনা নাহেদুনা অনাবা খাঙলম্মী। মতম চঙনা লাক্লদুনা হীদাক লাংথক থারবা, পীজ-পীথক তৌরবা মতুংদা অনাবদু চীক্লা পোথাখি। মাগী থৌগলদা পেল্লবা মমাদুনা শেল অচোইবা (কোইন) থন্না য়াওরবা খাউ অমা অৱামল ওইনা পীরকখি। খাউ অদু লৌরকখিদে, 'অঙাংসি হান্নগুম মশা ফনবা হোৎনবদা মতম অমদি শেল য়াম্না চঙখিনি, থোরকহন্নীংদুনা ইজরুবা ৱারেংনি।

লৌশিং পুক্কে

# চাং নাইনা মেদিটেসন তৌবনা পূন্সি শাংহল্লি



চাং নাইনা মেদিটেসন তৌবা মীওইশিংগী নুংঙাইবা পাউ অমা ওইনা হন্দক্তা রিছার্চরশিংনা থিজিনবদা মেদিটেসননা ব্লদ প্রেসর হন্থহল্লি অমসুং থম্মোয়গী লায়নাশিং ঙাকথোকই হায়বা খঙলে।

পূন্সি মহিং শেমদোকপগা লোয়ননা মেদিটেসন তৌরবদি হকচাং মনুংদা সেলশিং শিবগী চাং হন্থহন্দুনা অহল ওইশিলহন্দে অমসুং পূন্সি শাঙহল্লি হায়রি।

আইওৱাদা লৈবা মহারিশি য়ুনিভর্সিটি ওফ মেনেজমেন্ট (এম য়ু এম) গী রোবার্ট স্নিদরনা হায়খি, মেদিটেসন তৌদুনা পূক্লিং-ৱাখল ফাথরবদি ব্লদ প্রেসর হন্থরক্তুনা হার্টকী ফীভম ফগৎলক্কনি। মমাঙদা পাঙথোকখিবা ষ্টদিশিংদগী মেদিটেসন তৌবনা ব্লদ প্রেসর হন্থহল্লি, হার্ট এটেক অমদি ষ্ট্রোক্কী রিস্ক হন্থহল্লি অমসুং পূন্সি শাংদোকহল্লি হায়বা খঙখ্রবনি।

হন্দক্তা ইকোন-কোনবা ওইনা হোৱার্দ য়ুনিভর্সিটি মেদিকেল সেন্টরদা ব্লদ প্রেসর ৱাংবা নুপা অমসুং নুপী ৪৮ দা ষ্টদি চথখি। ষ্টদিদা শরুক য়ারিবা মীওইশিংবু কাঙলুপ অনী থোক্লা খায়দোক্লগা কাঙলুপ অমবু চাং নাইনা মেদিটেসন তৌহল্লম্মী। অতোপ্পা কাঙলুপ অমদুনা পূন্সি মহিং হোংদোকহনবগা লোয়ননা হকচাংগী অৱম্বা হন্থহল্লম্মী অমসুং থুমগী চাং হন্থনা পীজরম্মী। অনীশুবা কাঙলুপ অদু চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌহনবগা লোয়ননা য়ু অমদি মৈখু শীজিন্নবগী হৈনবী থাদোকহল্লম্মী।

চয়োল ১৬ কী মতুংদা চাংদম্নদুনা য়েংবা মতমদা কাঙলুপ অনীমক ব্লদ প্রেসর হন্থরম্বা থেংনখি। মতৌ অসুম্না পূন্সি মহিং শেমদোকপগা লোয়ননা নুমীৎ খুদিংগী চাং নাইনা মেদিটেসন তৌরবদি থম্মোয়গী লায়না য়াওনা অনাবা কয়া মাঙজৌননা ঙাকথোকপদগী পূন্সি শাংদোক-হল্লি হায়না মহারিশি য়ুনিভর্সিটি ওফ মেনেজমেন্টতা ইনষ্টিট্যুট ফোর নেচরেল মেদিসিন এন্দ প্রিভেন্সনগী দিরেক্টর ওইনা লৈবা রোবার্ট স্নিদরনা ফোঙদোকখি।

মেদিকেল জর্নেল 'পি এল ও এস ৱান' দা ফোঙলকখিবা রিপোর্ট অমদা মোলিক্যুলর বাইওলোজিগী প্রোফেসার জোন ফেগাননা হায়খি, থম্মোয়গী লায়নাগা মরী লৈনবা মরম্না ষ্টদিগী রিপোর্ট অসি য়াম্না মরুওইনা লৌফম থোকই।

রিছার্চরশিংনা হায়খি, মেদিটেসন তৌবগা লোয়ননা পূন্সি মহিং হোংদোক্লবদি হকচাং মনুংদা টেলোমরেজ কৌবা এঞ্জাইম অমা থোরকপদগী ব্লদ প্রেসর অমসুং কার্দিওভাস্ক্যুলর দিজিজগী রিস্ক হন্থরকপনি। মসিনা মরম ওইরদুনা পূন্সি শাংদোকহল্লি।

হন্দক্কী ষ্টদিদা শরুক য়াখিবা হোৱার্দ য়ুনিভর্সিটি কোলেজ ওফ মেদিসিনগী ওটেলিও রেন্দোলনা হায়খি, মেদিটেসন তৌবগা লোয়ননা পূন্সি মহিং শেমদোক্তুনা ৱাখল ৱাবা অমদি লাংতক্লবগী চাং হন্থহনবা ঙল্লবদি হকচাং মনুংদা টেলোমরেজ চাং ৱাংনা থাদোরক্তুনা ব্লদ প্রেসর হন্থহল্লি অমসুং পূন্সি শাংদোকহল্লি।

মতমগী খোঙলৈ মতুংইন্না মীওই অয়াম্বা মথৌ চিন্নরকপগা লোয়ননা চাকচা-য়ুথক শোয়রকপা অমসুং ঈশিং-নুংশিৎ মোৎশিল্লকপনা হকশেলদা চাউনা অকায়বা থোকহল্লকই। মসিনা ৱাখল ৱাবা অমদি লাংতক্লহনবদসু মতেং পাংশিল্লি।

পূক্লিং-ৱাখল ফাথবগী মতাংদা লৌখৎপা য়াবা খ্বাইদগী মরুওইবা থৌরাংদি মেদিটেসননি। নুমীৎ খুদিংগী পুংখায় অমমম মেদিটেসন তৌবা মতমদা ৱাখল নুংঙাইহল্লি। পূক্লিং-ৱাখল লৈতাহন্নবগীদমক নোংমদা পুং ৭/৮ মপুং ফানা তূম্বা মথৌ তাই।

খোঙনা চৎপা হায়বসিনা খ্বাইদগী লায়বা হকচাং শাজেলনি। নোংমগী ঙাইহাক ঙাইহাক খোঙনা চৎলবদি ৱাখল অমসুং হকচাং অনীমক



নুংঙাইহল্লি। ফৎতবা ৱাখল খনবা মতমদা মাঙজরিবসি ইশা ইথন্তনি। নুংঙাইবা অমদি অফবা ৱাখল খল্লগা কান্নবা ফংলিবসু ইশাখক্তনি। হকচাং নুংঙাইহন্নবগী মতাংদা অহানবা খোঙথাংদি ৱাখল নুংঙাইহনবা হায়বসি। ৱাখলনবু নুংঙাইত্রবদি অতৈ হীরমশিংদা ফনা কন্না হোৎনরবসু হকচাং নুংঙাইহনবা ঙল্লোই। পুম্নমক অসিগী মথক্তা নুমীৎ খুদিংগী মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা চাবা মথৌ তাই। হেন্না মরুওইবদি নুমীৎ খুদিংগী মেদিটেসন তৌদুনা পূক্লিং-ৱাখল নুংঙাইহনবদুনি।

# ষ্টেট লেভেল ফোক এন্দ ক্লাসিকেল ম্যুজিক কম্পিটিসন অমদি কন্সর্টকী মনা য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৬ (ঐচ এন এস):

বাল মুকুন্দা দেব ম্যুজিক কোলেজ ইম্ফালগী ৫৭ শুবা মপোক কুমওনগা লোয়ননা পাঙথোরকখিবা ষ্টেট লেভেল ফোক এন্দ ক্লাসিকেল ম্যুজিক কম্পিটিসন অমসুং কন্সর্টকী মনা-মথুম য়েন্থোকখ্রে।

পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা ম্যুজিক কোলেজগী ওদিটোরিয়মদা ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা ষ্টেট লেভেল ফোক এন্দ ক্লাসিকেল ম্যুজিক কম্পিটিসন অমসুং কন্সর্টকী মনা-মথুম য়েন্থোকখি। মনা য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা আর্ট এন্দ কলচরগী কম্মিস্নার এম লক্ষ্মীকুমারনা হায়খি, ইনষ্টিট্যুট হায়বসি য়াম্না মরুওইবা অমনি। ওজা নাইনা অমসুং থকশি-খাশি ঙাক্লা তম্বা হায়বসি য়াম্না তঙাইফদবা অমনি। আর্ট এন্দ কলচর, সাহিত্যনচিংবগী লমদা লৈরিবা কয়াগী মায়কৈদগী পেন্নদবা ৱাকৎ ময়াম অমা তাদুনা লাক্লি। থবক তৌনিংবা কয়া লৈবা অসিদা লৈঙাক্লা পুন্না খঙমিন্নদুনা হোৎনমিন্নবা চঙই। অৱাৎপা মেনখৎপা ঙমদবা কয়া অমা লৈরবসু হোৎনবা য়াবা কয়া হোৎনদুনা লাক্লি। কেবিনেটতা অয়াবা লৌরগা ম্যুজিক কোলেজগী ওজা ৮ হাপখ্রে। আর্ট এন্দ কলচরগী ওইনা অৱাৎপা ষ্টাফ ময়াম অমা লৈরি। ৱাৎলিবা ষ্টাফশিং অসি হাপচিন্নবা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা লাক্লি। আর্ট এন্দ কলচরগী লমদা চাউখৎপা পুরক্লবা হোৎনবদা ঐখোয় খুদিংমক্কী থৌদাং য়াম্না চাউই। হিরম অসিদা চাউখৎনবা হোৎনবদা অমত্তা ওইনা তানমিন্নবা তঙাইফদে। আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টকী ওইনা ৱাৎলিবা ষ্টাফ কয়া অসি হাপচিন্নবা অমদি অৱাৎ-অপা কয়া মেনখৎনবা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা লাক্লি হায়নসু ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা ম্যুজিক কোলেজ অসিগী প্রিন্সিপাল ভিক্টোরিয়ানা প্রসিদেন্ট ওইখি। আর্ট এন্দ কলচরগী দিরেক্টর শিবদাসনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি।

# নোংপোক নিংথৌ পান্থোইবী কম্মিটিগী থৌ পুবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৬ (ঐচ এন এস):

নোংপোক নিংথৌ পান্থোইবী কম্ম্যুনিটি হোলদা ঙরাং কম্মিটি অসিগী জেনরেল বোদি মীটিং পাঙথোকখিবগা লোয়ননা এগজিক্যুটিব কম্মিটিগী থৌ পুগদবশিং খনখ্রে হায়না কম্মিটি অসিগী সেক্রেটরি জেনরেলনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, থৌ পুনবা খল্লবশিং অদুদি, প্রসিদেন্টদা তখেল্লম্বম জয় মীতৈ, ভাইস প্রসিদেন্টদা নিংথৌজম কোমোল, হৈখাম কুমার অমসুং মুতুম মোমোন, সেক্রেটরি জেনরেলদা ঙাংবম অমুখোম্বা মীতৈ, জোইন্ট সেক্রেটরিদা হৈখাম জাধু, নিংথৌজম সুরেশ অমদি নিংথৌজম দিনেশ, ট্রেজররদা সলাম হেম্বা, পব্লিসিটি সেক্রেটরিদা নিংথৌজম পাকপা, সলাম সঙ্কর, তখেল্লম্বম মোমো এলিয়স সুরজ অমসুং নিংথৌজম ওকেন্দ্রো, লিগেল এদভাইজরদা এদভোকেট হৈখাম প্রেমকৃষ্ণ, ওদিটরদা নিংথৌজম কুল্লা, লৌরিয়াম লালা, চবুংবম বিরমঙ্গোল অমদি ৱাহেংবম বসন্তা, এগজিক্যুটিব মেম্বরদা লাইশ্রম সোমেন্দ্রো, সলাম তোম্বী, লৌক্রাকপম সুরচান্দ, নিংথৌজম নাওবি, পুথেম মঙ্গী অমসুং মুতুম অমুচৌ, এদভাইজরদা সলাম মধুমঙ্গোল, নিংথৌজম গুন, মুতুম মংলেম্বা, নোংথোম্বম রতাপসন অমসুং মুতুম তোচানি।

নোংপোক নিংথৌ পান্থোইবী দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী জেনরেল বোদি মীফমনা এগজিক্যুটিব কম্মিটিগী থৌ পুবশিং অসি খনখিবনি। ঙরাং নোংপোক নিংথৌ পান্থোইবী কম্ম্যুনিটি হোলদা জেনরেল বোদি মীটিং অদু পাঙথোকখি হায়নসু মখা তারি।

# থোং শঙ্গাখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৬ (ঐচ এন এস):

ককচিং খুনৌ ইবুধৌ খল্লাংবা লাইকোল মমাঙদা লৈবা তরাং তুরেলগী মথক্তা নৌনা শাবা থোং ঙসি ককচিং খুনৌ ইবুধৌ খল্লাংবা লাইকোল লাইহরাওবা কম্মিটি, ককচিং খুনৌ অমদি ককচিং খুনৌগী মীয়াম্না হৌনবী মতুংইন্না শঙ্গাখ্রে হায়না কম্মিটি অসিগী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, লাইহরাওবা কম্মিটি অমদি ককচিং খুনৌগী মীয়াম্না হৌনবী মতুংইন্না ঙসি অয়ুক পুং ৯.৩০ তাবা মতমদা লাইনিং-লাইশোনগী ওইবা থৌরম পাঙথোকপগা লোয়ননা থোং অসি শঙ্গাবনি। ককচিং খুনৌ ইবুধৌ খল্লাংবা লাইকোল মমাঙদা লৈবা তরাং তুরেলগী মথক্তা থোং অসি নৌনা শাবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।



HL-B/5313/1/4-2/june(alt)



HL-B/5314/2/4-3/5



HL-P/5371/5/5-2/7(alt)

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ০৭ ।০৫ ।২০১৯ ইং, লৈবাকপোকপা,
কালেনগী হুম্নি পানবা

**মেষ:** হকচাং নুংঙাইবা হেনগৎলনি, শোক-পনবা য়াবদগী কোকচরনি অমদি অফবা মফম কঞ্জবা ঙমগনি। ৱাঙাঙ হৈত্রদি চোপ্পা অমদি য়েৎনরদি লন মাংবা য়াবসু লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- কান্নবা ইফং ফংলোই।
থৌনি পোৎলম: লৈ অশংবা/কিসমিস

**বৃষ:** নিংবা থুংগনি, মীচং হেনগৎপা অমদি শেল-থুমগী থবক্তা চাওনা কান্নবা ফংবা য়াম্না লাইবক ফবা নুমিৎনি। অয়েৎপা খরা চেল্লসু নথক থোংবনা লুনা তৌবিগনি। নরলদি চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- মীচং লৈগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

**মিথুন:** খন্থদ্রদি চাদিং হেনগনি, ঙসিদি অশা হেন্না চাওবা য়াদে অদুবু থৌনদি লৈবনা কান্নবা ফংবা হেনগনি। শাগৈ অমদি মরী মতাগী মতেং লৌবা য়াগনি। পাউদি নুংঙাইতে।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

**কর্কট:** শেল ফংজবা য়াবা, নিংবদুমক ওইথোকপা য়াবা অমদি অফবা থবক্তা শেল থাদবা য়াবা নুমীৎনি। নচা-ননাইগী লম্দা পেন্দবা অশাওবনা শেল চৎপা হেনবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- খোইরাংগনু শাফগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা

**সিংহ:** অনিংবা থবক পাংগনি, লাইবক ফবা খরা ফংগনি অমদি মীচং হেনগৎকনি। অদুবু অঙম্বগা মরী ফনবা ৱাঙাঙ হৈবা অমদি য়েৎনবা মফমদা য়াওদবা ফগনি। নরল চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- ইকাইবা নংবা য়াবা লৈ।
থৌনি পোৎলম: লৈ অশংবা/কিসমিস

**কন্যা:** মীগী থৌইনশিন্না য়েংথিনবা য়াবা অমদি পাংগে খনবসু পনবা লৈগনি। কান্নদবদা নরল চৎকনি অমদি নথক থোংবনা চানবীদে। ইমুং মনুংগী থৌদৌদা পুক্লিং ৱাবা লৈরি।
লৈশা পাখংশিংগী- পুক্লিং ফাথবা ফৈ।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙৌবা অমদি হিগোক

**তুলা:** নুংঙাইফম খঙদবা, নিংবা মপা চাদবা অমদি ফংবা য়াবসু পনবা নুমীৎনি। মীকোক থোংবা ৱাগনি অমদি হোয়া ফবনা য়েক্লবা হেনগৎপা য়াবদুম লৈগনি। মতম ঙাইয়ু।
লৈশা পাখংশিংগী- ঈংথবা ফগনি
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা

**বৃশ্চিক:** নিংবা থুংগনি, ৱাখল থোক্কনি, লাই গুরুনা চানগনি অমদি ওইজ ওইথক ফংগনি। শেল-থুমদা নত্তনা অরং-অরাক ফংবা য়াবা লৈ। ঙাঙথোকপদা মীনা থাগৎপীগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা

**ধনু:** মাই পাক্কনি, মীনা ইনশিনবা লৌগনু অমদি ললোন ইতিক্কী থবক্তা থোইনা কান্নগনি। অদুবু ইমুং-মনুংদা ভাব তান্নদবা অমদি লেংদবা লনগী লম্‌দা য়েৎনবা খরদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- চংনা য়াংগনু।
থৌনি পোৎলম: লৈ হিগোক

**মকর:** নচা-ননাইগী লম্‌দা পূক্লিং পেঞ্জবা অমদি পাউ নুংঙাইবা তাবা লৈগনি। থাজদনা ওইজবসু শোয়দনা ফংগনি। নাপল তৌবদি য়াদে-মীনা মথং মথং উশিৎলকওই।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ/চিনি অঙাংবা

**কুম্বা:** মীকোক থোংগনি, পাইরক্কী লৌশিং য়াম্না লৈবনা খূদক্তা ৱারেপ লৌবদা অকায়বা লৈরোই। অদুবু হোয়া ফবা অমদি মফম চাদনা থৌনা ফুদোকপদি নুংশা থিবা নংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মতম মাংগনি।
থৌনি পোৎলম: লৈ অঙাংবা

**মিন:** চাদিং হন্থবা, পল্লম্বা শেল-থুম ফংবা য়াবা অমদি খাঙবা কনবনা অরিবা থবক পাঙবা য়াবা নুমীৎনি। তহা-তহারদি মরুপ অমদি নথক থোংবনা নরল লৌথোকপীগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱা ঙাঙবা চেকশিল্লু।
থৌনি পোৎলম: লৈ অশংবা/কিসমিস

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।